# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ উ-খজিং

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা পান্বীরক্তগী উ-খজিং পান্বী অসিসু অমনি। ঐহাক্না মণিপুরগী অয়াম্বা মফমশিংদা থিজিন-হুমজিন চৎচবা মতমদা উ-খজিং পান্বীনি হায়না হায়বিরকপদা মফম অমদা হায়বিরকপদুগা অতোপ্পা মফমদা হায়বিরকপদুনা তোঙানবা পান্বী অনী ওইরমখি। মীওই খরনা হায়বিরকপা উ-খজিং পান্বী অদু সাইন্টিফিকেল নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইনা থিজিল্লুবদা পান্বী অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অদু *ওরিওকনাইদ ইন্টেগ্রিফোলিয়া (Oreocnide integrifolia Mig)* অদুগা অয়াম্বা মীওইশিংনা হায়বিরকপা পান্বী অদুগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংনা দেব্রোগেসিয়া লোঙ্গিফোলিয়া (Debregeasia longifolia Linn.) হায়না কৌই। অহানবগী পান্বী অসিবু করি মরমদগী উ-খজিং পান্বী কৌরিবনো হায়না থিজিনবদা পান্বী অসিগী লৈশিং অদুগী শরুকশিং অদু হেক য়েংবদা অপিকপা খজিং ময়াম অমা পানবগুম উবদুদা উ-খজিং পান্বী হায়না কৌনবনি হায়। অদুগা অকোনবগী পান্বী অদুবুসু উ-খজিং করিগীদমক্তা কৌনবনো হায়না থিরুবদা পান্বী অসিগী মনাশিং অদুগী মখা থংবা (Ventral surface) অদু খজিংগুম্না চান্দি মচু ওইবা লোয়ননা মনাগী মওং অদু শিংলি নাওরিশিং অদু মক্রক-মক্রক লাওদুনা হেক য়েংবদা খজিং ময়াম পুল্লপ লৈবদু মানবদগীনি হায়বসিনি। ঙসিগী পাউদম অসিদা পীজরিবা অসি অকোনবগী পান্বী অসিদনি।

উ-খজিং পান্বী অসি ইংলিসতা ওরেঞ্জ ৱাইল্ড রিয়া (Orange wild Rhea), হিন্দিদা সনসারু (Sansaru) নৎত্রগা তুসারা (Tusara), নেপালিদা তুসারে (Tussaare), টামিলদা ইলিলাইনোকী (Elilainocci), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দেব্রোগেসিয়া লোঙ্গিফোলিয়া (Debregeasia longifolia (Burm.f.) Wedd.)* নৎত্রগা *বোমেরিয়া দাইকোটোমা (Boehmeria dichotoma Hassk)* নৎত্রগা *কোনেসেফালস নিভিয়স (Conocephalus niveus Wight)* নৎত্রগা *দেব্রেগেসিয়া দাইকোতোমা (Debregeasia dichotoma (Blume) Wedd.)* নৎত্রগা *মোরোকার্পস দাইকোতোমস (Morocarpus dichotomus Blume)* নৎত্রগা *উর্টিকা দাইকোতোমা (Urtica dichotoma Blume)* নৎত্রগা *উর্টিকা লোঙ্গিফোলিয়া (Urtica longifolia Burm.f.)* হায়না কৌই অমসুং *উর্টিকেসী (Urticaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।


পাউদমশিংগী মতুংইন্না উ-খজিং পান্বী অসি নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং চাইনা, ইন্দিয়া মহাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, কম্বোদিয়া, লাওস, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্সতা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। নেপাল অমসুং বাংলাদেশতসু উ-খজিং পান্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। হিমালয়গী অয়াম্বা মফমশিং সমুদ্র ঈমায়দগী মিটর ৫০০ ৱাংবা মফমদগী মিটর ২,২০০ ৱাংবা মফম ফাওবদা উ খজিং পান্বী অসি য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরুওইনা মণিপুরদা উ-খজিং পান্বী অসি অদুমক ফজনা হৌই। পান্বী অসি ফোলি চেনবা খোং অমসুং তুরেলগী মপান অমসুং লোক্কী মপান মরু ওইনা অচোৎপা লৈবাক-লৈশাদা মপূং ফানা হৌগল্লি। মণিপুরদদি উ-খজিং পান্বী অসি ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেলশিংগী তোর্ব্বান্দা য়াম্না তোয়না হৌবা থেংনৈ। চীংখোং চীংয়াদসু অদুমক হৌবা থেংনৈ। কনাগুম্বা খরনদি পান্বী অসি হীদাক ওইনা শীজিন্নবগীদমক্তা য়ূমগী অকোয়বদসু থাবা থেংনৈ।




উ-খজিং পান্বী অসি মতম পূম্নমক্তা মনা শংদুনতা লৈবা (মনা কনগনদবা) হায়বদি এভরগ্রীন (Evergreen) ওইবা ফুট ১৫ ফাওবা ৱাংবা উ পান্বী মচা অমনি। পান্বী অসি অয়াম্বা মতমদা চবুন ওইনা হৌগল্লি। উ-খজিং পান্বী অসি খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেল অমসুং সব-ত্রোপিকেলগী ওইবা পান্বীনি। অদুম ওইনমক পান্বী অসি খরা হেন্না ঈংবা টেম্পরেচর ৫ ফাওবদি হৌবা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ। য়াম্না পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি উ-খজিং পান্বী অসি লাবা অমসুং অমোম পান্বী অনী অসি নক্লনা হৌদ্রবদি পান্বী অদু মপূং ফানা মরূ পানবা ঙমদে অমসুং চারা শন্দোকপা ঙমদে।

উ-খজিং পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। উ-খজিং পান্বীগী সেন্টিমিটর অমমুক চাউবা হঙ্গাম মপালদা কোমলা মচু চংলপ তৌবা অমুনবা মহৈ অদু মীয়াম্না পাম্না চানৈ। মমুন ফাদ্রিবা মহৈ অদুনা এঞ্জাং থোংদুনা চানবগী পাউদমশিং লৈ। উ-খজিং পান্বীগী উগী মকু (ফাইবর) অদু য়াম্না মগুন লৈবা মরম্না অফবা মখলগী পোত্থোকশিং শাবদা শীজিন্নৈ। অদুগা পান্বী অসিগী উ অদুনা অফবা মখলগী শীং ওইনা থানৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না থাইলেন্দদি উ-খজিং পান্বী অসি লৈবাক লৈহাও চেন্দ্রবা উ-ৱা পান্বী ফজনা হৌবা ঙমদ্রবা মফমশিংদা মফম অদু থুংনা উমং শেমগৎনবগীদমক্তা অতোপ্পা পান্বীশিংগা য়ান্নদুনা থামিন্নৈ। উ-খজিং পান্বীগী অমুনবা মহৈশিং অদু উচেক-ৱায়াশিংনা য়াম্না পাম্না চানবা মরম্না উচেক-ৱায়া য়োকপা উমংশিং মরুওইনা বর্ড সেঞ্চুরিশিং (Bird Sancturies) দা উচেক ৱায়াশিং মরাং কায়না লৈনবগী থানৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উ-খজিং পান্বীগী মনা অদু ফজনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা ঈশিং পুকচৎকী লায়না হায়বদি দাইবেটিস অসি লায়েংনবা অদুমক থেংনে। কনাগুম্বা খরগী মতুংইন্না হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথকপদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা (High BP) অদুসু হন্থহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি। বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম খরগী মতুংইন্না উ-খজিং পান্বীগী মনা অদু ফজনা শুগাইরগা শেম্বা অনঙবা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা উনশাগী লায়না মখল কয়ামরুম মরুওইনা স্কেবীজ (Scabies) অসি ফহনবা ঙম্মী হায়বসিনি। ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা উ-খজিং পান্বীগী খরা নৌতক তৌবা মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু ঈংথহল্লগা ফজনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুদা খোইহি খরা হাপ্তুনা নৈখায়রগা শেম্বা মহী অদু পীথক্তুনা চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা অমদি থজিন শৌগৎপা অমসুং চাকখাও চাথৎপা অসি লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা মহী অদু পীথকপদা য়াম্না কান্নবা নুংশাগী মৈশাদগী থোকহনবা অমাঙ-অতাদগীসু কনবদা মতেং পাংই হায়বগী পাউদমসু লৈ। ●




## নোংথোম্বম লক্সমন, নাট্যভুষনগী শল্লপ্পা পুন্সি ৱারী

- প্রেমকুমার লাইতোঞ্জম -

নোংথোম্বম লক্সমন কুমজা ১৯৩৬কী সেপ্টেম্বর ১৪, নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোংবা বজার নান্দেবম লৈকায়দা পোকখি। অপোকপগী মীংনা নোংথোম্বম কহ্নাই অমসুং অপোকপীগী মীংনা তোনসিজ কৌই। মচিন মনাও ৯গী মনুংদা মহাক্না মরিশুবনি। য়াম্না অঙাং ওইনা ঈশৈ, লীলা, দ্রামা পামজনা হৌরকখি। মবুথৌ ইবুংঙোহল নন্দা শাবদা মমিং লৈবা, লৈবাক্না শকখঙনবা মীশকনি। মপা ইবুংঙো কহ্নাই রুপমহল থিয়েটরগী দিরেক্টর জেনরেল ওইখি।

কুমজা ১৯৪৫দা কোংবগী রঙ্গশ্রি হোলদা শান্নখিবা লীলাশিং নরমেঘ যজ্ঞ, সাবিত্রি সত্যবান, বিচারপতি (ইমা) নচিংবা কোংবদা লাল চেল্লম্বা নোংমাইথেম থানিলনা তম্বীবা লীলাশিং উরুবদগী লীলা পামজবগী ৱাখলদা লুপখি।


কুমজা ১৯৪৬তা গৌড় লীলা, নুপামচা পালা ষনশেনবনচিংবা য়াওরকখি। মতুং তারকপদা কুমজা ১৯৫০ ফাওবা দ্রামা পামজরুবনা মশানা ইবা লালা, সুজতা, অঙ্গুলিমাননচিংবা মশামক্না দিরেক্টর ওইদুনা লৈকায়গী মরুপ মপাং কয়াগা লোয়ননা লৈকায়গী মাঙ্গোলদা ফম্বাক ওইরগা দ্রামা কয়ারক হন্না শান্নরকখি। অসুম্না ঈশৈ লীলা দ্রামা লূপলিঙৈদা মেট্রিক ৩ (অহুম্লক) শুবদা কুমজা ১৯৫৭দা পাস তৌখি।

রাজা দুম্ব্রা সিংহ হায় স্কুলদা কুমজা ১৯৫১দগী ১৯৫৪ ফাওবদা মহাক্না ইবা লীলা মৌ থিবা অঙকপা ৱারী অমা মহাক মশানা তম্বীদুনা শান্নখি। সর্ব্বটি পুজাগী ঈশৈ কয়া শক শোনবতা নত্তনা স্কুলগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারকখি। সাহিত্যগী থৌরম কয়াদসু শরুক য়াখি। লোয়ননা মকোক মথং তাবা কয়া য়াওখি।

কুমজা ১৯৫৭তা ইম্ফাল কোলেজদা আই এ তমখি। সোসল এন্দ ম্যুজিক্কী সেক্রেটরিসু ওইখি। আই এ তম্না তম্না শুমাং লীলা রামলীলা 'দস অবতার' য়াওখি। শুমাং লীলাবু থোইনা অৱাংবা থাক ওইনা লৌনদে অদুনা মহাকপু নোক্নবিবসু লৈখি। মতম অদুদা আই এ তম্না তম্না শুমাং লীলা য়াওবসি মহাক্না অহানবা ওইগনি হায়না হায়জৈ।

কুমজা ১৯৫৪দগী ১৯৫৭ কী মার্চ ফাওবা রামলীলা দস অবতারনচিংবা য়াওবগা লোয়ননা অসামগী প্রাইবগান, হ্যুসেরো, সিবসাগর, গুৱাহাটি, নলবাড়ি, জোরহাটনচিংবা মফম কয়াদা ঈশৈ, দ্রামা, জগোয় কয়া উৎখি। বলরাজ শাহনি লুচিংবা ইন্দিয়ন পিপল থিয়েটরগী লীলা, জগোয় কয়া য়াওখি। কলকটাগী ফাওরবা থিয়েটরগী লীলারোই শমভু মিত্রগা উনদুনা গুৱাহাটিদা দ্রামাগী মরমদা ৱারী কয়া শানখি।

কুমজা ১৯৭৭তা য়াম্না থেংনা মোর্দন কোলেজদা বি এ তমদুনা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা দিষ্টিঙ্কসন ফংদুনা বি এ পাস তৌখি। মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তমখি। বি এ অমসুং এম এল অনীমক্কী পরিক্ষাদা চাদা ৫০দা পাস তৌবদগী গভর্ণমেন্টনা থাদা লুপা ১০০গী স্কোলরসিপ পীখি। এম এ তম্লিঙৈদা ষ্টুদেন্ট দ্রামা সেক্সনগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা কুমজা ১৯৭৭-৭৮দা এলাহাবাদতা মহাক্না লুচিংদুনা দ্রামা অনীরক উৎলুই।


নোংথোম্বম লক্সমন

অরাম্বম সমরেন্দ্রনা ইবা তির্থ যাত্রা অমদি ওজা রজনিকান্তনা ইবা 'কনাদা ভোট' মহাক্না তম্বীদুনা জি এম হোল অমসুং দান্স কোলেজ হোলদা উৎলুবদা মতমদুগী ওজাশিং অমদি অয়েংবা মীওইশিংনা মরুওইনা ওজা দিজমনিদেব শর্ম্মনা য়াম্না থাগৎপীখি হায়না তমই। লীলা পূম্নমক এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনা শান্নখিবনি।

কুমজা ১৯৫৭কী সর্ব্বটি পুজাদা নম্বোলদা রাম লীলা শান্নবদা মাগী মহুৎ শিন্দুনা হনুমান শাখিবা হৈরাঙ্গোইথোংদগী কাশি কৌবা ঐগ্যা অমা লঙ্কা মৈ থাবগী থৌদোক্তা মৈনা চাক্তুনা নুমিৎ হুমনি লৈরগা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। মতম অদু মৈতৈ ময়েক হায়স্কুলদা 'য়াইরিপোক থম্বালনু' হায়বা দ্রামা অসি মহাক্না তম্বীদুনা কাংঙবম বীড়বাবুনা মোহোনসিং মশামক্না তোনু শাদুনা লৈকায়গী মমান্নবা খরগা লোয়ননা শান্নখিবদা ছুটি লৌখিবদগী মহুৎ শিনখিবনি। নোংঙাল্লগা ঐগ্যা নন্দনা পাউ তম্বদগী খঙখি। নুমিৎ অদুদা খুরাইগী চাইরেল থোংদা রাম লীলা শান্নবদা মহাকসু হনুমান শাবদা মৈনা চাক্তুনা শিরমগদবদগী ময়াম্না কনখি।

মতম খরা লৈরগা খুরাই শোইবম লৈকায়দা শান্নদবা য়াদে হায়বদগী মী ২৫না শান্নরম্বা লীলা অদু মখোয় তরেৎখক্না শান্নখি। লোয়ননা মদুনা অরোইবা শান্নবা লীলা ওইখি।

মহাকসু মপানা মানা নুংশিজবা রুপমহলদা য়াওদবা য়াদে হায়দুনা কুমজা ১৯৫৭কী জুন থাদগী রুপমহলদা য়াওরকখি। কুমজা ১৯৫৮দা মাইবম রামচরননা ইবা লীলা 'নিংঙোল পোকপা' লীলাদা মহাক্না ঈশৈ শকপা 'ওরফু' কৌবা নুপা অমা শাখি। লীলা অসি কুমজা ১৯৫৮গী জন্যুৱারী ৪দা শান্নবনি।

ঙসি ফাওবদা হোল অমদা লেঙদনা কুম্বসি চহী ৬২ শুরক্লে। অতৈ হোলশিংদা মহাক্কুম্না লেঙদনা চহী ৬২ চূপ্পা লীলা কুম্বা লীলারোই পংয়াও য়াওরমগনি থাজদে। মরম অসিনা মঙোন্দা দাইমন্দ জুবিলি মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবীবা য়ারবনি।

মহাক্না ফংখিবা মনা মথুমশিং :-

১) শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা শান্নবা মেজিক শোদা কোমেদিয়ন শাবদা বেষ্ট কোমেদিয়ন গোল্ড মেদল (১৯৫৪) ফংখি।

২) য়াইরিপোক থম্বালনুদা 'তোনু' শাবগী গোল্ড মেদল (১৯৫৭) ফংখি।

৩) রাম লীলাদা মহাক্কী এক্টিংদা জপান তোনুনা গোল্ড মেদল অমা পীখি - ১৯৬০।

৪) দি ষ্টেন্দর্দ কোলেজ কোংবগী প্রিন্সিপাল ওইরিঙৈদা ফঙ্কসন অমদা মহাক্না মেঘ রাগদা বেজ তৌবা ঈশৈ অমা শক্লুবদা মতমদুগী গভর্ণর চিন্তামনি পানিগ্রহিনা য়াম্না থাগৎপীরমখি - ১৯৯০/৯১।

৫) নিংঙোম্বম অঙৌতোন মেমোরিয়েল লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ(২০১৪) ফংখি।

৬) রুপমহল থিয়েটরগী অভিনন্দন (সার্টিফিকেট ওফ ওনর - ২০০৫, ২০১৪, ২০১৫) ফংখি।

৭) মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালগী নাট্য ভুষন (২০১৫) ফংখি।

৮) মৈত্রম বীর এৱার্দ (২০১৬) ফংখি।

৯) রুপমহলদা জি সী তোংব্রাগী লীলা 'অনীথোক্না চিংখায়রে' দা কুম্বদা পেনবীদুনা তোংব্রানা মীয়াম্বু পেলহনবা ঙম্বা লীলারোইনি হায়দুনা শকখঙ চে পীবিখি। লীলা অদু মৈত্রম পীরনা তম্বীবনি।

১০) নুপীলালদা মহাক্না বামোন শাবদা থিএটর দিরেক্টর ডা. থানিনলৈমনা য়াম্না থাগৎপীখি।

ওজা অসি লীলা, দ্রামা, ঈশৈনচিংবদা থৱায় লুপচবদা নত্তনা খুন্নাইগী য়াইফ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়াদসু অচঙবা থৌমী অমনি।

কুমজা ১৯৪৭কী মার্চ ১দা মীওই ৯না শাবা 'কোংবা ষ্টুদেন্ট ক্লব' কোংবগী নিংথৌজমগী য়ূমদা লীংখৎখি। খুরাইজম ধীরেননা চ্যেরমেন অদুগা লোংজম জ্যানেন্দ্রনা সেক্রেটরিসু ওইখি। ওজা লক্সমন অমসুং থাংজম মানসিংহ অনীনা খ্বাইদগী অঙাং ওইনা য়াওখি।

হৌজিক লৈরিবা মদন মহোন গর্লস হায় স্কুলগী সেক্রেটরি ওইরকপা চহী ২৫ শুরে। মৈতৈ ময়েক হায় স্কুলদা ওজা ওইনা চহী ১৬, মোরিবা জুনিয়র হায় স্কুলদা চহী ১১ অমসুং ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কোংবদা প্রিন্সিপাল ওইনা চহী ১৮ লৈরকখি। এ আই আর ইম্ফালগীসু বি হায় আর্টিষ্ট ওইখি, রেদিও দ্রামা ২০ হেনবদা শরুক য়াখি। শ্রী লক্সমন রুপমহলগী অরিবা দ্রামা কয়াদা শকখিবা ঈশৈ কয়াগী শৈশকশিং অদু ঙসি ফাওবা চিনফা পুরিবা অহিংবা ঈশৈশিং রেকোর্দ অমনি। রুপমহল আর্টিষ্ট অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা ঈশৈশিং অসি নৌনা পুথোক্তুনা থম্লম্নবা থৌরাং তৌজরি।

ওজাসি ঈশৈ শকপা পামজবনা, লৈবাক্না শকখঙনরবা ঈশৈ ওজাশিং খুদম ওইনা লাইশ্রম গৌরহরি, ৱাহেংবম শেলুংবা, লাইশ্রম ইবোপিশকনচিংবশিংদগী মতম ঈশৈ তমখি। মনোহরশাইদা ওজা জপান তোনু, বাগেন্দ্রো শর্ম্ম, শৌগাইজম ইবোমচা, নট সঙ্কীর্ত্তনদা থোকচোম ইবোচৌ, মোধু শর্ম্মদগী খ্যাল ঈশৈ তম্বদা নত্তনা ভজন কয়াসু তমখি। অদুগা ককচীংতাবম ইবোতোন শর্ম্মদগী মহাভারত অমসুং রমায়নগী ৱারীসু তমখি। ওজা লক্সমন শকলোন য়াম্বা লীলা, দ্রামা, ঈশৈদা কত্থোকপদা নত্তনা খুন্নাই অসিগী য়াইফ থৌরাং কয়াদা মরুওইনা মহৈ-মশীন চাওখৎনবগী লম্দসু ওজা অমা ওইনা মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইনা হীরম খুদিংমক্তা কত্থোক্তুনা মশাগী চহী ৮৩ শুরক্লবা ফাওবা হিংলিবা মীয়ামগী লুচিংবা অমনি। মহাক্না লৈবাক মীয়ামগী তৌরিবা দান (খুদোল) অসি মমল নাইদে। ঐখোয় খ্বাইনা, লৈবাকনা শকখঙবীদুনা মহাকপু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নবীফম থোকই হায়না খঞ্জে। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো?
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে?

২। "ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।" ৱাফম অসি উপন্যাস, 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই' হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

৩। "শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লকই পাইবা ঙম্বোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।" পরেং অহুম অসিনা, 'বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙম্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।" ৱাফম অসিমনা 'অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ' কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### মরোল থোকপা লাই

